# রিক্রুইটমেন্ট ট্রেনিং অমসুং রিফ্রেশর্স কোর্স কম ফিটনেস টেষ্ট হৌদোকখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস):**
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী মীৎয়েং মখাদা দি সী স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) চান্দেলনা শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চত্থগদবা রেফরি ন্যু রিক্রুইটমেন্ট ট্রেনিং এন্দ রিফ্রেশর্স কোর্স কম ফিটনেস লিৱা সরৈদা লৈবা থোরুল টর্ফ গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

ঙসি হৌদোকখিবা ট্রেনিং কম ফিটনেস টেষ্ট অদুদা অনৌবা রেফরি ১৭ অদুগা অরিবা রেফরি ১৫ পূন্না রেফরি ৩২না শরুক য়াখি। হায়রিবা ট্রেনিং অসিগীদমক অম্ফাগী মায়কৈদগী ইন্সট্রক্টর অহুম থারকখি। অম্ফানা থারকখিবা ইন্সট্রক্টরশিং অদুদি পি ঐচ লম্বোইবা, হেদ ওফ রেফরি, অম্ফা; এম মাঘো, রেফরি এসেসর এন্দ ফোর্মর ফিফা এসিষ্টেন্ট রেফরি অমসুং অজিৎ, এ আই এফ এফ রেফরি এসেসর অমসুং বেষ্ট এ আই এফ এফ রেফরি এৱার্দ ৱিন্নর ২০১৯নি।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি জ্যোটিরময়ী রোই, অম্ফাগী এক্টিং প্রসিদেন্ট দি বি কোৱর লমকাং অমসুং অম্ফাগী এগজিক্যুটিভশিং অমসুং দি এস এ চান্দেলগী প্রসিদেন্ট টি এস চম্না অনালনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা হন্দক্তা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা এ আই এফ এফকী নেসনল রেফরি ওইনা খনখ্রবী নিংনিহরিং অনালবু দি এস এ চান্দেলগী মায়কৈদগী তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী তুংদা লাক্কদবা পূন্সিদসু হেন্না মায় পাকপা ঙম্নবা য়াইফ থৌজালশিং পীখি। লোয়ননা এ আই এফ এফ নেসনল রেফরিশিং টি ঐচ জয়সিং মোন্সাং, আর দি রিংনিদম অনালসু তরাম্না ওকখি। লোয়ননা হায়রিবশিং অসিনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা ফুটবোল মশান্নবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবগীদমক হোৎনরিবা কয়া অদুবু ঙসিগী দেজ মেম্বরশিংনা শীংথাখি।

# ট্রায়ল কম সেলেক্সন টেষ্ট পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস):**
য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টরগী ওর্দর মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস, চান্দেলনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল ট্রায়ল কম সেলেক্সন টেষ্ট অমা পাঙথোক্লবা শেম শারে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ফুটবোল, জুদো অমসুং ৰুশু দিসিপ্লিনগী ওইনা ট্রায়ল কম সেলেক্সন অসিগী ফোর্ম থাজিল্লকপগী অরোইবা নুমিৎনা সেপ্টেম্বর ৬তা ওইগনি। অদুগা ট্রায়ল সেলেক্সননা সেপ্টেম্বর ৯ অমসুং ১০দা পাঙথোক্কনি। বেদমিন্টন, রেষ্টলিং, বোক্সিং অমসুং ফুটবোল হায়রিবা দিসিপ্লিনশিং অসিগী ওইনা ফোর্ম থাজিল্লকপগী অরোইবা নুমিৎ সেপ্টেম্বর ১০দা ওইগনি। অদুগা ট্রায়ল সেলেক্সননা সেপ্টেম্বর ১৩ অমসুং ১৪দা পাঙথোক্কনি।

কবাদ্দি, টেবল টেন্নিস, টাইক্বোন্দো, ফেন্সিং হায়রিবা দিসিপ্লিনশিং অসিগী ওইনসু ফোর্ম থাজিল্লকপগী অরোইবা নুমিৎ সেপ্টেম্বর ১০দা ওইগনি। অদুগা ট্রায়ল সেলেক্সননা সেপ্টেম্বর ১৮ অমসুং ১৯দা পাঙথোক্কনি। হেন্দবোল, ৱেথলিফটিং, আর্চরি, এথলেটিক্স হায়রিবা দিসিপ্লিন অসিগী ওইনা ফোর্ম থাজিল্লকপগী অরোইবা মতম্না সেপ্টেম্বর ১০ ফাওবা ওইগনি অদুগা ট্রায়ল সেলেক্সননা চহী অসিগী ওক্টোবর ৩ অমসুং ৪দা পাঙথোক্কনি। সাইক্লিং, ফুটবোল, সেপাক টাক্রো, থাঙ-তাগী ওইনা ফোর্ম থাজিল্লকপগী অরোইবা নুমিৎনা সেপ্টেম্বর ১০দা ওইগনি। ট্রায়ল সেলেক্সননা ওক্টোবর ৭তগী হৌরগা ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

জিম্নাষ্টিক্স, শুটিং, হোক্কী, স্বিম্মিংগী ওইনা ফোর্ম থাজিল্লকপগী অরোইবা নুমিৎ সেপ্টেম্বর ১০দা ওইগনি অদুগা ট্রায়ল সেলেক্সননা ওক্টোবর ১৬ অমসুং ১৭তা পাঙথোক্কনি। খো-খো, ভোলিবোল, কারাটেগী ফোর্ম থাজিল্লকপগী অরোইবা নুমিৎনা সেপ্টেম্বর ১০ অদুগা ট্রায়ল সেলেক্সননা নভেম্বর ৪ অমসুং ৫দা পাঙথোক্কনি।

# বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস):**
স্কুল গেম ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা নভেম্বর থাদা লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দেল্লীদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল স্কুল গেম ৰুশু চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুনবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী প্লেয়রশিং খনগৎনবগীদমক ট্রায়ল সেলেক্সন অমা ৰুশু একাদেমি খা-পোৎশংবম একাদেমিগী এরেনা ওইনা শীজিন্নরিবা খা-পোৎশংবম ময়াই লৈকাইদা লৈবা ইবেনধৌ নোঙ্গারেম্মগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।



ঙসি পাঙথোকখিবা ট্রায়ল সেলেক্সন অদু দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবনি। ট্রায়ল সেলেক্সন অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা একাদেমিশিংদগী লাকপা শান্নরোয় ১৫০ হেনবনা শরুক য়াখি।

ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদা খনগৎলবা শান্নরোয়শিংনা ষ্টেট অসিগী টিম শেম্বগী ট্রায়ল সেলেক্সনদা অমুক শরুক য়াগনি। ঙসিগী ট্রায়ল সেলেক্সন অদুদা বিষ্ণুপুর ৰুশু এসোসিএসনগী চীফ এদভাইজর ডা. নোরেন থোকচোম অমদি এসোসিএসন অসিমক্কী জেনরেল সেক্রেটরি সুর্জিৎ কোন্থৌজম, ৰুশু একাদেমি খা-পোৎশংবমগী প্রসিদেন্ট ফজতোননা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।


# সেপ্টেম্বর ১দগী হৌরগনি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস):**
নোংনা মরম ওইরগা মতম খরা য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল কাংজম রাজেশ মেমোরিএল ৫-এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪ সেপ্টেম্বর থাগী ১দগী হৌরগা অমুক শান্নবা হৌরগনি হায়না টুর্নামেন্ট কম্মিটিগী চেয়রমেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না নোংমাইজিং নুমিৎতগী অমুক হৌগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ফিকচরদা অহোংবা খরা লৈরগনি অমদি অকুপ্পা মরোল ওর্গনাইজিং কম্মিটিদগী খঙবা য়াগনি হায়রি।




## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1232**

**Svetozar Gligoric - Erwin Nievergelt**
**Zuerich, 1959**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nf6 | 5.Nc3 d6 |
| 6.Bg5 e6 | 7.Qd2 h6 | 8.Bxf6 gxf6 | 9.O-O-O a6 | 10.f4 Bd7 |
| 11.Kb1 Qb6 | 12.Bc4 Nxd4 | 13.Qxd4 Qxd4 | 14.Rxd4 Rc8 | 15.Bb3 Rg8 |
| 16.Rd2 Rg4 | 17.Rf1 Rc5 | 18.Nd1 h5 | 19.Ne3 Rg8 | 20.Rfd1 b5 |
| 21.Rf2 Ke7 | 22.Rfd2 Ke8 | 23.a3 Bc6 | 24.Rd4 h4 | 25.c3 Bh6 |
| 26.Rxd6 Ke7 | 27.e5 Bxf4 | 28. ... | | |

**QUESTION :**

**White to win**

**Puzzle 1231 Solution :**

**64. Qxd5+ Kxd5 65. Kc2**
**65. ...Ke4 66. Kd1**
**66. ...Kf4**
**67. h6 gxh6 68. Ke1**
**68. ...Kg5** with a drawn endgame, for example:
**69. Kf2 h5 70. Kg3 h4+ 71. Kh3 Kh5 72. Kg2 Kg4 73. Kh2 h3 74. Kh1 Kg3 75. Kg1 h2+ 76. Kh1 Kh3 stalemate**






Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com